# পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম লোইশিনখ্রে

## নুমিৎ ১৩ নিদা লোক সভানা বিল ১৩, রাজ্য সভাদনা বিল ৯ পাস তৌখি



ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ০৫ (এজেন্সী):
ঙসি লোইশিনখ্রবা পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফমদা লোক সভাগী প্রদক্টিভিটি চাদা ৯১.৫ অমসুং রাজ্য সভাগীনা চাদা ৫৬.২৯ ওইখি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অনন্ত কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টরনা হায়খি, হন্দক্কী নীংথম মীফম অসি শীংথানিংঙাই ওই হায়না লৌবা য়াই। নুমিৎ ১৩ মীফম পাঙথোকখিবদা লোক সভানা বিল ১৩ অমসুং রাজ্য সভানা বিল ৯ পাস তৌখি। হন্দক্কী মীফমদা বিল ১৭ পুখৎলকখিবগী মনুংদা হাউস অনীমক্তা বিল ১২ পাস তৌখি।

পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফম মহয় য়ালহনখিবগীদমক হাউস অনীমক্কী মেম্বরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। রাজ্য সভানা পাস তৌবা ঙমখিদ্রবা ট্রিপল টলাক্কী বিলগা মরী লৈননা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, য়াম্না মরুওইবা লেজিসলেসন অদু কোংগ্রেসনা মরম ওইরগা পাস তৌবা ঙমখিদবনি। ডিসেম্বর ১৫ দগী হৌরগা জান্যুৱারি ৫ ফাওবা চথখিবা অমসুং নুমিৎ ২২ গী মনুংদা সিট্টিং ১৩ লৈখিবা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক ঙসিদগী মতম কক্তনা য়েথোকখ্রে।

অমরোমদা পার্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফম জান্যুৱারি ২৯ দা হৌরগা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ফেব্রুৱারি ১ দা য়ুনিয়ন বজেট পুথোক্কনি হায়না পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর অনন্ত কুমারনা ফোঙদোকখি। তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা বজেট মীফমগী অহানবা শরুক ফেব্রুৱারী ৯ দা লোইশিনগনি। অনীশুবা তাঙ্কক্লা মার্চ ৫ দগী হৌরগা এপ্রিল ৬ তা লোইশিনগনি।

নুমিৎ ২২ গী মনুংদা সিট্টিং ১৩ লৈখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফমগী মতাংদা অনন্ত কুমারনা হায়খি, লোক সভাগী প্রদক্টিভিটি চাদা ৯১.৫৮ অমসুং রাজ্য সভাগীনা চাদা ৫৬.২৯ ওইখি। শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা লোক সভানা বিল ১৩ পাস তৌখিবগা লোয়নননা রাজ্য সভানা বিল ৯ পাস তৌখি। পুন্না বিল ১৭ পুখৎলকখিবগী মনুংদা হাউস অনী-মক্লা পাস তৌখিবা বিল ১২ নি। ঙসি লোইশিনখিবা পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফমদা গভর্নমেন্টনা ট্রিপল টলাক থিংনবগী পান্দমদা 'মুস্লিম ৱিমেন প্রোটেক্সন ওফ রাইটস ইন মেরিয়েজ বিল ২০১৭' পাস তৌনবা কন্না হোৎনখি।

ট্রিপল টলাকপু ক্রিমিনেল ওফেন্স ওইহনবগা লোয়নননা অহুল্লক টলাক হায়রগা মশামক্কী নুপী খায়নবগী থৌওং চথবা মুস্লিম নুপা অমবু চহী অহুম ফাওবা জেলদা থম্নবগী বিল পাস তৌনবা হোৎনবদা ওপোজি-সননা অথিংবা পীরকপা মরম্না মায় পাকপা ঙমখিদে। গভর্নমেন্ট অমদি ওপোজিসনগী মরক্তা য়ানবা ঙমদবদগী রাজ্য সভাদা পাস তৌবা ঙমখিদ্রবা বিল অদু বজেট মীফমদা অমুক পুথোক্তুনা খন্নগদৌরি। বিল অদু পেনেল অমদা থাদদুনা য়েংশিলহনখিবগা লোয়নননা বজেট মীফমদা পাস তৌহন্নবা গভর্নমেন্টনা অকনবা থৌরাং লৌখৎলি।

অমরোমদা রাজ্য সভানা ভেটেরান মেম্বর অহুম - করন সিংহ, জনার্দন দ্বিবেদি অমসুং পর্বেজ হসমিদা কায়ন-য়াথং পীখ্রে। মথং থাদা মতম লোইরদুনা রাজ্য সভাদগী পোত্থাখ্রগ-দবা মেম্বর অহুমদা ওপোজিসন অমদি রুলিংগী মেম্বরশিংনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা কায়ন-য়াথং পীখি। জান্যুৱারি ২৭ তা মতম লোইরদুনা পোত্থাখ্রগদবা এম পি অহুম্মক দিল্লিদগী মায় পাক্লকখিবা ঙাক্তনি।

ওপোজিসন লীদরসু ওইরিবা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর ঘুলাম নবি অজাদনা হায়খি মদুদি, করন সিংহনা মশাগী চহী ১৮ শুবদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী হেদ ওফ ষ্টেট ওইদুনা মালেমদা খ্বাইদগী নহা ওইনা ফম অসি পায়বা মীশক ওইখি। শাংলবা চহী ৫৭ পোলিটিক্সতা খোঙদারিঙৈদা মশাগী চহী ৮৬ শুরবা করন সিংহনা জৱাহরলাল নেহরুদগী হৌরগা নরেন্দ্র মোদি ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর পুম্নমক্কা ৱারী শানবগী খূদোংচাবা ফংখি।

# কুমজা ২০২২ ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট ১০০ মপূং ফানা শেমদোক্কদৌরি




ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ০৫ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১০০ মপূং ফানা শেমদোক্নবগী পান্দমদা গভর্নমেন্টনা মিনিষ্ট্রি অমসুং দিপার্টমেন্ট কয়াদা হীরম অসিগা মরী লৈনবা থৌদাং শীন্নখ্রে।

ট্রান্সফোর্মেসন ওফ এস্পিরে-সনেল দিষ্ট্রিক্টসকী মতাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা নীটি আয়োগকী সী ঈ ও অমিতাভ কান্তনা হায়খি, নীটি আয়োগনা দিষ্ট্রিক্ট ২৫ শেমগৎপগী থৌদাং লৌরগনি। হোম মিনিষ্ট্রিনা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট ২৫ শেমগৎ-শাগৎপগী থৌদাং লৌগনি। মতৌ অসুম্না মিনিষ্ট্রিশিং, নীটি আয়োগ অমদি হোম মিনিষ্ট্রিগী মরক্তা দিষ্ট্রিক্টশিং শেমগৎপগী থৌদাং য়েন্থোক্লরে।

মহাক্লা হায়খি, নুমিৎ খূদিংগী অমসুং থাগী ওইনা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মকোক মথং তাবগী রেঙ্কিং কুপ্না য়েংশিন্দুনা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎকনি। মপূং ওইনা হেল্থ এন্দ ন্যুট্রিসন, এদ্যুকেসন, এগ্রিকলচর, ৱাটর, ফাইনান্সিএল এন্দ স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা য়েংলগা দিষ্ট্রিক্টশিংগী রেঙ্কিং শেমগনি। মতৌ অসুম্না হীরম কয়াদা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎতুনা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরক্তা অথোই-অহেন তান্নহনগনি। চাংয়েং ওইনা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসি মায় পাকপা থোক্লবদি ইন্দিয়াবু মপূং ফানা শেমদোক-শাদোক্লবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং মপূং ফানা মায় পাকহনবা ঙমগনি হায়না নীটি আয়োগকী ভাইস প্রসিদেন্ট রজিব কুমারনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়াগী মীয়াম্না অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌমিন্নবা তারবদি হীরম খূদিংমক্তা মায় পাকহনবা ঙমগনি হায়বা ভারতিয়া জনতা পার্টিনা থবক ওইনা উৎপা ঙম্লে। ডো. অমবেদকর ইন্টর-নেসনল সেন্টরদা পাঙথোকখিবা ট্রান্সফোর্মেসন ওফ এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্টসকী মীফমদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্লা হায়খি, মীয়াম্নবু অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবা তারবদি ওইথোকপা ঙম্লোইদবা থবক অমত্তা লৈতে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওফিসর ইন-চার্জ অমদি কলেক্টরশিংগা উন্নদুনা ৱারী শানখি। এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্ট ১১৫ গী কলেক্টরশিংনা পান্দম ফংনবগী মতাংদা পুখৎলকপা ৱাফম পুম্নমক প্রাইম মিনিষ্টরনা পূক্নিং চঙনা তাখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমদি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ডো. অমবেদকর ইন্টর-নেসনল সেন্টরদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ওফিসল প্রোগ্রাম ওইবা মরম্না ঙসিগী মীফম অসি য়াম্না মরুওইনা লৌফম থোকই।

# ভিমা-কোরেগাউনগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বা সম্ভাজি ভিদেনা মরাল লৈতে হায়না শেংদোকখ্রে

মুম্বাই, জান্যুৱারী ০৫ (এজেন্সী):
পুনে দিষ্ট্রিক্টতা দলিট ফুরুপকী মায়োক্তা হাৎন-শুনবগী থৌদোক থোকহন্নবা হোৎনবদা শরুক য়াখি হায়না মরাল শীরিবা সম্ভাজি ভিদে কৌবা মীওই অমা মরাল লৈতে হায়না ক্লেম তৌরকখিবগা লোয়নননা থৌদোক অসিগী মতাংদা মপূং ফাবা ইনক্বারি চত্থগদবনি হায়না আপিল তৌখ্রে।

মশাগী চহী ৮৫ শুরবা ভিদেনা লুচিংবা শিব প্রটিস্থান হিন্দুষ্টাননা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, কাঙলুপ মশেল খূৎ থোক্লহন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখি হায়না শীরকখিবা মরাল অদু যূম্ফম য়াওদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরগা মরাল লৈবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি।

ভারিপা বহুজন মহাসঙ্ঘ (বি বি এম)গী লুচিংবসু ওইরিবা ডো. বি আর অমবেদকরগী মশুনুপা প্রকাশ অমবেদকরবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ভিদেনা হায়খি, প্রকাশ অমবেদকরনা ভিমা-কোরেগাউনদা থোকখিবা থৌদোক্কী মতাংদা মরম চাদনা মীওই কয়াগী মথক্তা মরাল শীরি। গভর্ণমেন্টনা মপূং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চত্থরবদি মরাল লৈবা মীওইশিং চপ চানা খঙদোকপা ঙমগনি।

মহারাষ্ট্রগী পুনে দিষ্ট্রিক্টতা বৃটিশ মতমগী লান নীংশিংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা কাঙলূপ অনী উংখৎনরক্তুনা খূৎ থোক্লরকপদগী মীওই অমা শিখিবগা লোয়নননা অতোপ্পা অমা অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি।

কুমজা ১৮১৮ দা বৃটিশ অমসুং পেস্বা ফোর্সেসকী মরক্তা শোক্লখিবা লান নীংশিংদুনা থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখিবনি। পুনেদগী কিলোমিটর ৪০ লাপ্না লৈবা ভিমা-কোরেগাউনদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীওই মঙা অশোক-অপন নংখিবগী মনুংদা অশোকপা অমা সাসুন হোস্পিটালদা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি।

খৎন-চৈনবগী থৌদোক অদু মনাক নকপা খুঙ্গং মরিদসু য়ৌরক্তুনা গাড়ী ৪০ রোম অমাঙ-অতা থোকখি। পুলিসনা খূৎ থোক্লরিবা নাকল অনী খামদোক্লবা চৈনা কন্দুনা মীয়াম তানখায়খি। করম্বা কাঙলূপ্না মতৌ করম্না খৎনবা হৌরকখিবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট শৌরব রাওনা ফোঙদোকখি।

আর এস এসকী মেম্বর ওইরম্বা ভিদেনা শিব প্রটিস্থান হিন্দুষ্টান লিংখৎতুনা নোংচুপ থংবা মহারাষ্ট্রগী শাংলি, সাতারা অমদি কোলহাপুর দিষ্ট্রিক্টতা হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওইশিংগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

# ফোদ্দর স্কেম কেসকী হিয়ারিং চত্থবা লোয়খ্রে, লালু প্রসাদকী মথক্তা পীগদবা চৈরাক ঙসি লাউথোক্লগনি



রাঞ্চি, জান্যুৱারী ০৫ (এজেন্সী):
বিহারগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্বা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী লুচিংবা লালু প্রসাদ যাদবকী মথক্তা ফোদ্দর স্কেম কেসকা মরী লৈননা পীগদবা চৈরাক হয়েং নুংথিল পুং ২ দা লাউথোক্লগনি।

লালু প্রসাদ যাদবকী উকিল চিত্তরঞ্জন সিনহানা হায়খি, ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা কোর্টনা পীগদবা চৈরাক লাউথোক্কনি।

রাঞ্চিদা লৈবা সী বি আইগী স্পেসল কোর্টনা লালু প্রসাদ যাদব য়াওনা কেস অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা পীগদবা চৈরাক্কী মতাংদা চত্থবা হিয়ারিং ঙসি নুংথিল লোইশিনখ্রে। কেস অসিগা মরী লৈননা কা হেন্না কনবা চৈরাক পীবীদনবা লালু প্রসাদ যাদবনা রাঞ্চিগী স্পেসল কোর্টতা আপিল পিটিসন অমা ফাইল তৌখি।

চহী ২১গী মমাংদা শজিক লৈবদা লুপা লাখ ৮৯.২৭ অরানবা মওংদা শীজিন্নখি হায়বগী মতাংদা লালু প্রসাদ য়াওনা মীওই ১৬কী মথক্তা কেস অমা লৌখৎখিবনি।

সী বি আইগী স্পেসল কোর্টনা আর জে দিগী লূচিংবা লালু প্রসাদ যাদব অমদি অতোপ্পা মীওই ১৫ শজিক লৈবগী ৱাথোক্তা মরাল লৈরে হায়না ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি। কোর্টকী ৱায়েল লাউথোকখ্রবা মতুং পাউমীশিংগা উনবদা আর জে দিগী স্পোক্সপার্সন মনোজ ঝাহনা হায়খি, ইন্দিয়াগী জুদিসিয়ারিদা চেৎনা থাজবা থমই। অদুবু কনাগুম্বা পোলিটিকেল পার্টি খরনা লালু প্রসাদ যাদবকী কাঞ্জুল মুৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লে হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে। অচুম্বা ৱায়েল ফংনবগীদমক মখা তানা থেংনখিগনি।

# ট্রিপল টলাককী পিটিসনর ইশরট জহান বি জে পি য়াওখ্রে



কোলকাটা, জান্যুৱারী ০৫ (এজেন্সী):
ট্রিপল টলাককী কেসতা পিটিসনর ওইখিবা ইশরট জহান ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)দা য়াওরক্লে হায়না পার্টি অসিগী ষ্টেট য়ুনিটকী জেনরেল সেক্রেটরি সয়ান্তন বাসুনা ফোঙদোকখ্রে।

ইশরট জহানবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমদা বাসুনা হায়খি, বি জে পি হাওরা য়ুনিটনা থৌনা ফবী নুপী অসিবু তরাম্না ওকপগা লোয়নননা পার্টিগী মরুওইবা থৌদাং লৌহন্নবা শেম শারে।

ট্রিপল টলাককী কেস থাঙ্গৎলক-খিবা পিটিসনর মঙাগী মনুংদা ইশরট জহানসু অমনি। কুমজা ২০১৪ দা মপুরোইবনা দুবাইদগী ফোনদা টলাক অহুম্লক হায়রক্লগা মহাকপু খাইনখিবনি।

ইন্দিয়াদা মুস্লিম নুপীশিংগী অচৌবা মায় পাকপা থৌওং অমা ওইনা লোক সভাদা ট্রিপল টলাকপু মপুং ফানা থিংনবগী বিল অমা দিসেম্বর ২৮দা পাস তৌবা লৈখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হাউসতা পুথোরকখিবা বিল অদু তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক ভোইস ভোটতা বিল অদু লোক সভানা পাস তৌখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মুস্লিম নুপীশিংনা অথুম-অহাও য়েন্থোক্তুনা হরাওবা ফোঙদোক্লখি।

ওপোজিসন্না বিল অদু হাউসকী টেবলদা পুথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমদা শিন্নগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। রেভল্যুসনরি সোসলিষ্ট পার্টি (আর এস পি)গী মেম্বর এন কে প্রেমচন্দ্রননা বিলগী কোপি লৈবাক মীয়ামদা য়েন্থোক্লগা অপাম-পামদা খঙদোকপা মথৌ তাই হায়না পুখৎলকখিবা ৱাফম অমা রিজেক্ট তৌখি।

# চৎনখিদ্রবা শেনয়েক লুপা ক্রোর ১ রোম ফারে

হাইদ্রবাদ, জান্যুৱারী ০৫ (এজেন্সী):
হাইদ্রবাদ পুলিসনা চৎনখিদ্রবা শেনয়েক্তা লুপা ক্রোর ১ রোম মীওই অহুমগা কোন্ননা ফারে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ জোনগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস বি সুমতিনা হায়খি, ফারবা মীওই অহুম- কে রাজেশ, পি অনন্ত রেদ্দি অমসুং অশংগারি নাগারাজুনা চৎনখিদ্রবা শেনয়েকশিং অদু পুরগা করখানা রোদতা লৈবা এস বি আই মনাক্তা চৎলিঙৈদা ফাখিবনি। থাজনিংঙাই ওইবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিসনা মফম অদুদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লৈরিঙৈদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মীওই অহুম লাকপদগী চেক তৌরুবদা হান্নগী চৎনখিদ্রবা শেনয়েক্তা লুপা ক্রোর ১ রোম য়াওরম্বা থেংনখিবনি।

দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা কম্পেনি ৩৫,০০০ রোম্না লুপা ক্রোর ১৭,০০০ থমজিল্লকখিবগা লোয়নননা কোন্না অমুক লৌথোকখি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হায়রিবা কম্পেনিশিং অদু হৌজিক্তি রেজিষ্ট্রেসন কককখ্রবা কম্পেনি ঙাক্তনি। মতম শাংনা মথৌ তৌদনা লাকখ্রবা কম্পেনি লাখ ২.২৪ ওফিসল রেকোর্দতগী কককখিবগা লোয়নননা দিরেক্টর লাখ ৩.০৯ দিসক্বালিফাই তৌখিবনি। অশাবা কম্পেনিশিংনা অরানবা মওংদা শেল থাদোক-থাজিন তৌবগী থৌওং থিংনবগী পান্দমদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা নেসনল ফাইনান্সিএল রিপোর্টিং ওঠোরিটি লিংখৎতুনা কম্পেনিশিংগী ষ্টেটমেন্ট চেক তৌহনখি।

মমিংতগী ওইনা লৈবা কম্পেনি কয়ানা অরানবা মওংদা ব্লেক মনিবু হ্বাইট মনি ওন্থোকপগী থৌওং থিংনবগী পান্দমদা হায়রিবা কম্পেনিশিং অদুগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা সিরিয়স ফ্রোদ ইনভেষ্টিগেসন ওফিস (এস এফ আই ও)কী দিরেক্টর, এদিসনেল দিরেক্টর অমদি এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরদা মতিক ময়াই পীখি। মরাল লৈরবা মীওইশিং অদু কম্পেনিজ এক্টকী সেক্সন ৪৪৭কী মখাদা চহী ১০ ফাওবা কৈশুমশঙদা থম্বা য়াই হায়রি। এস এফ আই ওনা থিজিনবদা শুপ্নগী কম্পেনি অমখক্লা তোঙান-তোঙানবা বেঙ্কশিংদা একাউন্ট ২,১৩৪ হাংলম্বগী থৌদোক অমসু থেংনবা লৈখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, চৎনখিদ্রবা লুপা ১,০০০ অমসুং লুপা ৫০০ চৎপী মতম চানা বেঙ্কতা দিপোজিট তৌহৌদবা পিটিসনর ১৪গী মথক্তা মখল অমত্তগী ক্রিমিনেল এক্সন লৌখৎপা তৌরোই হায়না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# ইন্দিগোগী ষ্টাফনা পেসেঞ্জরদা চত্থখিবা কা হেনবা থৌওং পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জান্যুৱারী ০৫ (এজেন্সী):
হন্দক্তা ইন্দিগোগী ষ্টাফনা পেসেঞ্জর অমদা চত্থখিবা কা হেনবা থৌওংবু পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

কম্মিটিনা পীখৎলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, এয়রলাইন খূদিংমক্লা পেসেঞ্জর পুম্নমকপু লুনা-চানা লোয়নগদবনি অমসুং এয়রলাইনগী ষ্টাফনা মতম পুম্নমক্তা "চানবীদুনা" অমসুং "থাগৎচরি" হায়বা ৱাহৈ শীজিন্নগদবনি।

হন্দক মরক এয়রলাইনগী ষ্টাফনা পেসেঞ্জরদা কা হেনবা থৌওং চত্থবগী থৌদোক কয়ামরুম লৈখ্রে হায়না পল্লদুনা কম্মিটিগী রিপোর্টনা হায়খি, থৌদোক খরা মীদিয়ানা রিপোর্ট তৌরকপদগী মীয়াম্না খঙনরবসু মীদিয়াদা রিপোর্ট তৌরক্তবা থৌদোক কয়ামরুমসু য়াওখি।

সিভিল এভিএসনগী ওফিসলশিং অমসুং এয়রলাইন ইন্দষ্ট্রিগী মরী লৈনবা মীওই কয়াগা তানদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থৌশিল অমা শেমগদবনি হায়না কম্মিটিগী রিপোর্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটিনা হায়খি মদুদি, এয়রলাইনগী টিক্কেট অমসুং টিক্কেট কেন্সেল তৌবগী চার্জ হোংদোক-হোংজিন তৌবা য়াহন্দনবা থৌরাং অমা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা লৌখৎফম থোকই। ঙাইহাক লৈতনা টিক্কেটকী মমল হোংদোক-হোংজিন তৌবা অমসুং টিক্কেট কেন্সেল তৌবগী চার্জ অরেপ্পা লৈতবনা পেসেঞ্জরশিংদা চাওনা খূদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে। সিভিল এভিএসন মিনিষ্ট্রিনা হীরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

ꯆꯪ/ DOCUMENT LOST

I have lost my Original Admit Card of HSLC Examination, bearing Roll No. 23585 of 2005 issued by BOSEM, Registration Certificate of Manipur Medical Council (MMC) bearing Regn. No. 01635 of 2016 and some documents for Passport verification, on the way from Thangal Bazar to Nagamapal on 3/01/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Okram Sheetle**
Nagamapal Paonam Leikai
☎ 9612181396

HL-P/339/6

OFFICE OF THE HEAD MASTER
BIDHU GIRL'S L.P. SCHOOL

NOTIFICATION

**NO5/BGLPS/MC-18:** নোটিস অসিনা মরম ওইদুনা **Bidhu Girl's L.P. School** গী ছাত্রশিংগী Guardian শিংদা খঙহঞ্জরি। মরমদি হান্নগী Managing Committee অসি মতম লোইরবনিনা অনৌবা কম্মিটি অমা শেম্নবগীদমক Guardian Representative অনী খনগনি। মরম অদুনা Guardian শিংনা লাক্লিবা তাং ৮/০১/২০১৮ ইং, অয়ুক্কী পুং ৯ ফাওবগী মনুংদা মখাদা শহি তৌরিবা অসিদা এপ্লিকেসন থাবিরকউ। অকুপ্পা মরোল পুম্নমক স্কুলগী হেদ মাষ্টরদগী ওফিস মতমদা খঙবীয়ু। লোয়নননা লাক্লিবা তাং ১১/০১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১০ দা মীরেপ চে লৌথোকপা অমসুং স্ক্রুটিনি তৌগনি অমসুং তাং ১৩/১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১ দা ইলেক্সন তৌগনি।

**Sd/- A. Sangoi Singh**
*Head Master*
Bidhu Girl's L.P School, Khekman, Thoubal

HL-P/336/6

SKILL DEVELOPMENT TRAINING

- VENUE : ICM LAMPHELPAT
- COURSE : TWO MONTHS CERTIFICATE COURSE
- TRADE : ALUMINIUM WORKS, PAINTER, ELECTRICIAN, PLUMBER
- FREE TOOL KIT WILL BE GIVEN AT THE TIME OF COURSE COMPLETION
- NO ADMISSION FEE + NO COURSE FEE
- FORM WILL BE AVAILABLE AT ICM OFFICE LAMPHELPAT
- LAST DATE OF ADMISSION : **12/01/2018**

HL-P/315/3-10Jan
☎ 9774723147 / 9856156176

/PILES TREATMENT

নুংশঙ মায় পাক্লা লায়েংজরি


PH. ALAM

**PILES** খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চংবা, শৌজ নাম্থবা, ঈ তাবা, মনুং মপানদা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।

**GASTRIC** চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।

**STONE CASE** পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।

**SINUS** নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোনদা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।

**BODY PAIN** খোঙ-খূৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং তাং চিকপা, শিংলি শিংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।

*লায়েংফম ঃ*
1. Next to Imphal Bazar Community Cremation Ground, Minuthong.
2. Mayang Imphal.
3. Kangpokpi IT Road, near trafic point, Opp. MSCB Bank.

**Mobile Nos.: ☎ 9856848613 / 8732892431 / 8787579776**

HL-P/309/1-17Jan.

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

***Ref:- Mut. Case No. 23/SDC/NBL of 2018***
1. Oinam Priyojit Meitei S/o O. Parijat Meitei of Naorem.
2. Naorem (O) Ibema Devi W/o (L) N. Tomba Singh of Naorem.
*... Petitioners*

-Vrs-

(L) Naorem Tomba Singh S/o (L) Koireng Singh of Naorem.
*... O.P.*

/NOTICE

Dated, 5/01/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 22-Naorem গী Patta No. 542 (Old), 90 (New), Dag No. 167, 165 Area 1.36 Acres & 0.65 Acres of Taothabi Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কক্লগা দংকারি নং (১), (২) অসিগী দংকারি নং (১) will get 0.77 acre from the dag No. 167 and remaining will get দংকারি নং (২) অসুম্না মাগী শরুকশিং অসিদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা পীশিল্লক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

HL-P/342/6
***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Nambol**

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

***Ref:- Mut. Case No. 22/SDC/NBL of 2018***
Oinam Parijat Meitei S/o (L) Bora Singh of Naorem (Area 1.25 acres).
*... Petitioner*

-Vrs-

(L) Naorem Tomba Singh S/o (L) Koireng Singh of Naorem. *... O.P.*

/NOTICE

Dated, 5/01/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 13-Ishok কী Patta No. 291 (New), Dag No. 1330, Area 2.50 Acres of Taothabi Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমীং কক্লগা দংকারিনা মাগী শরুক ওইনা Area 1.25 acres out of 2.50 acres অসি মাগী মমীংদা লৌফম নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরি লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা পীশিল্লক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

HL-P/342/6
***Sd/-* Sub-Deputy Collector, Nambol**

ওজা অব্দুল হক পাইলসকী ওইনা মণিপুরদা অতাঙবা ওজানি

অমুক্তং ওজা কবিরাজ **অব্দুল হক**-কী হিদাক চাদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু। মরমদি ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজখি, পৈশাতা তিংখি। অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈদা ওজা **অব্দুল হক**-কা থেংনজবদগী ওজাগী হিদাক চাবদা ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা খোঙ হাম্বা য়াদবা, ঈ য়াওবা, চেকখায়রগা শৌজ মপান্দা থুপ্পা-শাবা, চিকপা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা, ইনখৎত্রিফাওবা চংউ য়াদবনি। অৱাবা, নুংঙাইতবা পুম্নমক অসি ঙসিদি মপুং ফানা ফজরে। অনাবা লৈতবগুম তৌরে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা পাউচেগী থোংদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*থাগৎচরিবা :* ***L. Chinglemba Singh***
***Thangmeiband Yumnam Leikai***

HL-P/4831/6